**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 13-12-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরগী চীং অমসুং তম্পাক্কী বি.জে.পি- এম.এল.এশিংগা দলগী প্রসিদেন্ট জে.পি. নদ্দাগা হয়েং নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ মখায়দা নিউ দিল্লিদা মীফম পাঙথোক্লগনি।

২) মনিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভির্সেস ওথোরিতিনা শিনবা, চহি অসিগী অরোইবা নেসনেল লোক অদালত ঙসি মফম কয়াদা পাঙথোকখ্রে।

৩) কঞ্জুমর এফ্যারস, ফুড এন্দ পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী দিরেক্তর কে. বোনোনা হায়রি- কর্ম্মচারিশিংনা মশাগী হক খক্তা তানবগী মহুৎতা মশাগী থৌদাংসু মশক খঙনা থবক তৌবা তঙাইফদে।

৪) ষ্টেট কম্মিসনার ফোর পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজ, ৱাইখোম বিরাহরিনা হায়রি- হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংনা য়ু.দি.আই.দি সার্তিফিকেট লৌদুনা স্কিমশিংগী কান্নবা লৌশি।

অমসুং

৫) চহি ২৪ গী মমাংদা তেরোরিষ্টশিংনা সংসদতা এটেক চগ্খরকপদা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ঙসি জাতি অসিনা ইকায় খুমবা উৎলি।

------

বিজেপি (এল)ঃ বি.জে.পি হাই কম্মান্দনা কৌরকপদগী নিউ দিল্লিদা হয়েং পাঙথোক্কদবা মীফমদা শরুক য়াননবা দল অসিগী এম.এল.এশিং দিল্লিদা অয়াম্বা থুংনখ্রে।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- ঙসি দিল্লি য়ৌরকখিবশিংগী মনুংদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন, মন্ত্রি ওইরম্বশিং অমদি এম.এল.এ কয়া য়াওরি। মীফম অসি হয়েং নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ মখায়দা বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট জে.পি. নদ্দা য়াওনা পাঙথোক্কনি। মীফম অসিদা চীং অমসুং তম্পাক্কী বি.জে.পিগী এম.এল.এ খুদিংমক শরুক য়ারবা য়াই। মীফম অসিনা মণিপুরদা মীয়ামগী মীহুৎনা শেম্বা লৈঙাক অমা অথুবা মতমদা শেমনবা লম্বী য়াৎলবা য়াই হায়রি।

লোক অদালট (এল)ঃ মনিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভির্সেস ওথোরিতিনা শিনদুনা চহি অসিগী অরোইবা নেসনেল লোক অদালত রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী লম্ফেল কোর্ট কমপ্লেক্সতা বেঞ্চ অহুম থোকা লোক অধালট ফমখি। মফম অদুদা পাঙথোকপা নেসনেল লোক অদালট অদুবু হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস- জষ্টিস এম. সুন্দরনা লুচিংবা কাংবু অমনা য়েংশিনখি। পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা জষ্টিস এম. সুন্দরনা হায়- ঙসি রাজ্য অসিগী জিলা ৯ দা পুন্না বেঞ্চ ১৩ খায়দোক্তুনা পাঙথোকখিবা নেসনেল লোক অদালটতা পুন্না কেস লিশিং ৪,৯২৩ লিষ্ট তৌখি। অসুমা লোক অদালট পাঙথোক্তুনা চহি কয়া পনদুনা লাক্লবা কেস কয়া লোইশিনবা ঙমলে। মহাকা হায়- হৌখিবা চহি ২০২১ দগী পনদুনা লৈরিবা কেস লোইশিনবগী চাং হেনগৎলক্লি। পনদুনা লৈরিবা কেসশিং অথুবা মতমদা লোইশিনবা ঙমনবা লিটিগেন্টশিং, পাব্লিক সেক্তর অন্দরটেক্কিংশিং অমদি গভর্নমেন্ট ইনটাইতিশিংনা লোক অদালটতা লাকপীয়ু হায়না মহাকা আপীল তৌখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা লোক অদালট অদুদা লুপা কোতি মরিরোমগী পুন্না কেস ৩৮৩ লোইশিনবা ঙমখি।

দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতি চান্দেলনা শিন্দুনা নেসনেল লোক অদালট ঙসি চান্দেল অমসুং তেংনৌপল জিলাদা পাঙথোকখি। জিলা অনি অসিগী ওইনা বেঞ্চ অনি ফমদুনা পুন্না কেস ১৬ লোইশিনবা ঙমখি।

কেফ (এল)ঃ কঞ্জুমর এফ্যারস, ফুড এন্দ পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী দাইরেক্তর কে. বোনোনা হায়রি- সরকারগী কর্ম্মচারিশিংনা মশাগী হক খক্তা তানবগী মহুৎতা মশাগী থৌদাংসু মশক খঙনা থবক তৌবা তঙাইফদে।।

ইপ্লোয়িজ য়ুনিয়ন কঞ্জুমর এফ্যারস, ফুড এন্দ পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন (কেফ এন্দ পি.দি)না শিন্দুনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শঙাইপ্রৌদা লৈবা দিরেক্তোরেট ওফ কেফ এন্দ পি.দিগী গোদাউন কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা ৫০ শুবা এন্যুএল গেট টুগেদর কম ফেয়ারৱেল প্রোগ্রামদা শরুক য়ারদুনা দিরেক্তর কে. বোনোনা হায়- সরকারগী কর্ম্মচারিশিংনা মশাগী হক খক্তা তানবগী মহুৎতা মশাগী থৌদাংসু মশক খঙনা থবক তৌবা তঙাইফদে। কর্ম্মচারিশিংনা মতম চানা মথৌ নিংথিনা পাঙথোকপনা দিপার্টমেন্ট অসিবু হেন্না ৱাংবা থাক্তা থাংগৎলকপা ঙমগনি।

থৌরম অদুদা বিভাগ অসিগী সেক্রেতরি এন. খেদাবর্তা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা থবক্তগী পোখাখ্রবা কর্ম্মচারিশিংদা খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

ৱার্কসোপ (এল)ঃ ক্রিতিকল ইন্তর দিসিপ্লিনারিতি-এন্দ ইন্তরসেক্সন ওফ কলচর, লেঙ্গুএজ এন্দ সোসাইতি হায়না হিরমদা নুমিৎ নিনিগী ওইবা অন্তরজাতিগী সেমিনার অমা ঙসিদগী মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভি.সি. কোর্ট হোলদা হৌখ্রে। সেমিনার অদু কেন্দ্রগী হান্নগী মপান থৌরম অমসুং শিক্ষাগী রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ রাজকুমার রঞ্জন সিংহনা হৌদোকখি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইংলিস অমসুং কলচরেল ষ্টদিজনা শিনবা থৌরম অদুগী মতাংদা ৱা ঙাংলদুনা ডাঃ রঞ্জন্না হায়- সংস্কৃতি, লোল

অমসুং লিটরেচরগী শমফম অসি শুপতগী মহৈ মশিংগী ওইবা হিরম নত্তে, মসিদি মীওইবনা খঙবা, উরকপা ময়াম অদুগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোননি। মহাকা হায়- সংস্কৃতিনা লোলগী মওং মতৌ শেম্মী, লোলনা মীওইবদা নিংশিংদুনা লৈরিবশিং অদু পুথোকহল্লি অমসুং লিটরেচরনা মীওইবগী ফিভমশিং উৎথোকই। মহাকা হায়- মসি পুম্বনা মীওইবা অমগী মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অমদি মখোয়গী পুন্সি অদুবু ৱারী ওইনা লিরি। হায়রিবশিং অসি পুন্না খোমজিল্লকপা মতমদা সমাজ অমগী মওং মতৌ খঙবা ঙম্মী।

দিসএবল (এল)ঃ   ষ্টেট কম্মিসনার ফোর পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজ ওইরিবা ৱাইখোম বিরাহরিনা হায়রি- মণিপুরদা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংগী মশিং চাউরাকা লাখ ১ মখায়গী মথক্তা লৈ।

অকাশবানি ইম্ফালগা অখন্ননা উন্নবা অমদা শ্রী বিরাহরিনা হায়- মসিগী মনুংদা মীওই লিশিং ১৬ লোম খক্তমক য়ুনিক দিসএবিলিতি আইদেন্তিফিকেসন (য়ু.দি.আই.দি) সার্তিফিকেট ফংলি। সরকারনা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংগীদমক তোঙান তোঙানবা য়াইফ থৌরাং কয়া পায়খৎলি। অসিগুম্বা য়াইফ থৌরাংশিংগী কান্নবা অসি য়ু.দি.আই.দি ফংদ্রিবা মীওই অমত্তনা লৌবা য়াদে। মরম অদুনা ইমুং মনুংগী মীওইশিং অমদি মরী লৈনবা ষ্টেক হোল্ডরশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা য়ু.দি.আই.দি ফংদ্রিবশিংনা ফংননবা হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। মসিগীদমক স্বাবলম্বান পোর্তেলদা রেজিষ্টর তৌবা য়াই। মসিগী খুদোংচাবা ফংদবশিংনা ষ্টেট কম্মিসনার ফোর পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজ নত্রগা রাজ্যগী সোসিয়েল ৱেলফ্যার দিপার্টমেন্টতা লাক্নুনা মতেং লৌবা য়াগনি।

শিব সেনা (এল)ঃ   শিব সেনা মণিপুর প্রদেশনা হায়রি- ঙরাং পাঙথোকখিবা ৮৬ সুবা নুপীলাল থৌরমদা ভারতকী রাষ্ট্রপতি অমনা শরুক য়ারদুনা থৌনা ফরবী লমদম অসিগী ইমাশিংগী মফমদা লৈ কৎখিবা হায়বসি মণিপুরগী ইতিহাস

অমসুং নুপীলালগী ইতিহাসতা ময়েক লানা লৈহৌরগনি।

ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা বালা সাহেব থাক্রে ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দলগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম তোম্বীনা হায়- ঙরাং রাষ্ট্রপতি লাল্লুম্বা অদুদা রাজ্যপালগী খুত্থাংদা মণিপুর দেমোক্রেতিক এল্লায়েন্সনা মেমোরেন্দম অমা খুৎশিন্নখি। মেমোরেন্দম অদুদা মণিপুরদা রাষ্ট্রপতিগী সাসন লাকপদগী রাজ্য অসিদা শান্তি হঞ্জিল্লক্লে। মরম অদুনা মীয়ামগী স্বার্থ য়েংলগা সরকার অমা থম্বা হায়বসি মতম চারে। শান্তি হঞ্জিল্লক্লবনিনা কেন্দ্রনা আই.দি.পিশিংবু নিংথিনা খুন্দা লৈতানবা হোৎনবীয়ু। মসিগী মথক্তা নেসনেল হাইৱেশিংদা মীয়াম অশোই অঙাম য়াওদনা চৎপা য়াহনবীয়ু।

শ্রী তোম্বীনা হায়- হৌজিক লৈরিবা রাষ্ট্রপতিগী সাসন অসিনা রাজ্য অসিগী চীংগা মফম কয়াদা পোপ্পি পাম্বীশিং মাং তাকহনবগী থবক চত্থরিবা অসি থাগৎনিঙাইনি। ময়াই কাবা নিশানা লমদম অসিগী নহা কয়াবু অরানবা লম্বীদা পুখিদনবা পোপ্পি থারিবশিংগী মথক্তা চত্থরক্লিবা থবক অসি মখা তানা হেন্না কন্না চংশিনবগী তঙাইফদবা লৈ।

ওইল পম্প (এল)ঃ নুমিৎ নিনি বন্দ তৌখ্রবা মতুং, ঙসিনা অমুক পেত্রোল পম্প মপুংশিংগী অপুনবা এসোসিয়েসন্না মখোয়দা বোমনা কিহল্লকপগী মায়োক্তা পাম্প থোঙ লোনখিবদগী মপুং ওইনা গ্রেতর ইম্ফাল এরিয়াদা মীয়ামা থাউ হানবা ফংনদবগী অচৌবা অৱাবা অমা মায়োকখ্রে।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- মফম খরদদি ব্লেক্তা পেত্রোল লিতর ১ দা লুপা ১৫০ গী মথক্তা ফাওবা য়োনবা য়াওখি।

ইসিআই (এল)ঃ ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ই.সি.আই)না খনবা মণিপুরগী মীহুৎ কাংবু অমনা ফিনলেন্দগী হেলসিনকিদা লৈবাক অদুগী মিনিষ্ট্রি ওফ জষ্টিস অমদি অতৈ মরুওইবা ষ্টেক হোল্ডরশিংগা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা ভারতকী ইলেক্তোরেল সিষ্টেম, ভোতর রেজিষ্ট্রেসন, মীখলগা মরী লৈনবা

টেকোলোজিনচিংবগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। মীহুৎ কাংবু অদু বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবমনা লুচিংখি।

মনা (এল)ঃ মণিপুরী লিটরেরি সোসাইতিনা পীবা লবঙ্গা-নন্দকুমার নিংশিং সাহিত্য মনা-২০২৫, একেন্দ্র তেনশুবদা পীরে। মনা অসি মহাক্কী লাইরিক-নুংশিৎ শিৎতনা উনাশে লেংলে হায়বা লাইরিক অদুদা পীবনি। মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০, সাইতেসন অমা, মেমেন্টো অমা অমসুং সাল অমা য়াওরি।

সেমিনার(এল)ঃ মণিপুরি সভ্যাতাবু শেমগৎলম্বা মহারাজ গরিবনিৱাজ হায়বা হিরমদা নুমিৎ নিনিগী ওইবা জাতি থাক্কী সেমিনার ঙসি মনিপুর য়ুনিভরসিতিদা লোয়শিনখ্রে। সেমিনার অসিগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতসু তোঙান তোঙানবা অখঙ অহৈশিংনা মহারাজ গরিবনিৱাজগী মতাংদা চে পাথোকখি।

সেমিনার অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী কলেজ দিভলপমেন্ট কাউন্সিল অমসুং মণিপুর সেবা সমিতিনা নিউ দিল্লিগী ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ হিষ্টোরিকেল রিছার্সকী শেন্থং মখাদা শিনবনি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা ওপরেসন সদভাবনাগী মখাদা তমেংলোং জিলাগী কাইকৌ ভিলেজদা শাবা মার্কেট সেদ অমা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে। মসিনা লমদম অদুগী নুপীশিংগী শেন্থোক লন্থী হেনগৎনবা হোৎনবদা চাউনা মতেং পাংলগনি। মার্কেট সেদ হাংদোকপগী থৌরম অদুদা মফম অদুগী নুপী ওন্তরপ্রেন্যুরশিং, খুলগী লুচিংবশিং অমসুং নহারোলশিং য়াওনা পুন্না মীওই ২৬০ রোমা শরুক য়াখি। কৈথেল অসিদা লৌউ শিংউগী পোথোকশিং, হেন্দক্রাফটস য়াওনা মফম অদুগী মীয়ামা পুথোকচবা পোথোক কয়া য়োনবগী খুদোংচাবা পীরগনি।

ইংবা (এল)ঃ মণিপুরদা নীংথম থাগী ইংবগী চাং তপা তপা হেনজিল্লকপগা লোয়ননা অয়ুম অমসুং নুমিদাংদা লৈচিল থাবগী চাংসু হেঞ্জিল্লক্লি।

ইন্দিয়া মেতিওৱোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্তরগী পাউনা হায়-হয়েংসু মণিপুরগী জিলা ১০ দা লৈচিল কুংনা থাগনি। জিলাশিং অদুদি- ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, চান্দেল, চুরাচান্দপুর, ফেরজোল, উখ্রুল অমসুং সেনাপতিনি। হায়রিবা ফিভম অসি লাক্কদৌরিবা নুমিৎ মরিনিদসু থোইনা অহোংবা লৈরোই হায়রি।

সংসদ ঃ কুমজা ২০০১ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা তেরোরিষ্টশিংনা সংসদতা এটেক চত্থরকপদা লৈখিদ্রবা সেকুয্যরিতি পার্সোনেলশিং অমদি শোকখিবশিংগী মফমদা ঙসি জাতি অসিনা ইকায় খুমবা উৎলি।

পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা লৈবা অথৌবশিংগী খুভমদা ঙসি উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণন, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ মোদি, কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং- পিয়ুস গোয়ল, জিতেন্দ্র সিংহ, কিরেন রিজিজ্ অমসুং আর্জ্নরাম মেঘৱালনা লুচিংদুনা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

লোক সভাদা বিরোধি লুচিংবা ওইরিবা কংগ্রেসকী রাহুল গান্ধি, দল অসিগী লুচিংবী সোনিয়া গান্ধি অমসুং সংসদ সদস্য কয়ামরুমসু লৈ কৎপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

মোদি ঃ কেরলাদা পাঙথোকখিবা লোকেল বোদি মীখলদা এন.দি.এগী মীরেপশিংদা ভোৎ থাদবগীদমক প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি কেরলাগী মীয়াম্বু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে। শ্রী মোদিনা হায়- রাজ্য অদুগী মীয়ামা এন.দি.এগী মীরেপশিংদা থাজবা থন্বীদুনা ভোৎ থাদরকপদগী তিরুভনন্থপুরম কোর্পোরেসন পায়বা ফংবা অসি থোইদোকা চাউথোকচনিঙাইনি। মহাকা হায়- মহাক্কী দল বি.জে.পিনা তিরুভনন্থপুরমবু হেন্না চাওখৎহন্নবা অমসুং মীয়ামগী হিংবগী থাক ৱাংখৎহন্নবা থবক কয়া পায়খৎলগনি।

অমিত ঃ কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ্না হায়রি- নক্সলাইটকী থৌওংশিংনা করিগুম্বা হিরম অমত্তদা কান্নবা পীরোই, শান্তি খক্তনা চাওখৎপগী অমত্তা ঙাইরবা লম্বীনি।

ছত্তিসগরগী জগদলপুরদা বাস্তর ওলিম্পিক্স লোইশিনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী সাহ্না হায়- মহাক্কী সরকারনা মথং চহি ২০২৬ কী মার্চ ৩১ ফাওবগী মনুংদা নক্সেলিজমগী থৌওংশিং লোইশিনগনি হায়না হান্ননা থাজবা পীখিবা অদু থবক্তা ওন্থোকবা কন্না হোৎনরি। লাক্কদৌরিবা চহি মঙা অসিদা বাস্তর দিভিজনবু লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাওখৎলবা ত্রাইবেলশিংগী লমদম অমা ওইনা শেমগৎনবা সরকারনা হোৎনরি। খুৎলায় পায়দুনা অরানবা লম্বীদা চৎখ্রবা মাওইষ্টশিংনা খুৎলায় থাদোক্তুনা খুনাইগী মহৌশাগী ঈচেলদা হল্লকবসু শ্রী সাহ্না আপীল তৌখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেটঃ ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দ ইম্ফালদা শান্নখিবা মেটচতা- পি.এস.সি খোয়াথোংনা কে.আই.ৱাই.সি. ক্ষেত্রিগাউবু ৱিকেট ৯ দা থোইখি।

মোইজিং পব্লিক গ্রাউন্দ শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱাই.য়ু.সি.সি. ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলনা ওস্কার পাউনা বজারবু রন ৯৬ তা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ মোরনিং স্তার এসোসিয়েসন-থাঙ্গা খুনজেম লৈকাইনা শিনদুনা খুনজেম লৈকাই লাইনিংথৌ লম্পাক্তা চত্থরিবা মঙাশুবা রাজ্য থাক্কী এল. ইবোচৌ মেমোরিএল ওপন ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবদা- এল.এল.সি.সি.-নিংথৌখোংনা ফোটোগ্রাফরস য়ুনাইতেদপু রন ৩৮ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চংখ্রে।

ক্রিকেট ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা চখুরিবা ২২ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ু.সি.সি উরিপোকনা বি.এস.সি ব্রহ্মপুরবু রন ২১ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেটঃ ভুবনেশ্বরগী কে.আই.আই.টি ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা চখুরিবা বিজয় মার্চেন্ট ত্রোফি ইলিট মেন এজ গ্রুপ অন্দর সিক্সতিন মেটচতা অসামনা মণিপুরবু ইন্নিংস ১ গা রন ৪৭ তা থোইখ্রে।

অমরোমদা, নাগপুরগী ভি.সি.এ. ষ্টেদিয়ম সিভিল লাইনদা শান্নবা নুপীগী চহি ১৯ মখাগী ত্রোফি প্লেট ৱিমেন্স য়ুথকী নোংমা মশান্না ক্রিকেটতা মণিপুরনা অরুনাচল প্রদেশকী ৱিকেট ৯ দা থোইখি।

হোক্কি ঃ ভারত লান্মীগী রেড সিল্ড দিভিজন্না শিন্দুনা রেড সিল্ড রাইজিং ষ্টার অন্দর নাইন্তিন মেন্স হোক্কি তুরনামেন্ট হয়েংদগী ইম্ফালগী খুমন লম্পাক হোক্কি ষ্টেদিয়মদা হৌরগনি। হৌদোকপগী থৌরমদা রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরি ডাঃ পুনিত কুমার গোয়ল শরুক য়াগনি।

ফুটবোল ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা পাঙথোক্লিবা কর্নেল ক্ষেত্রিময়ুম অরুনকুমার মেমোরিয়েল ইন্তর ক্লব ফুটসাল তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ক্রিপসানা এস.য়ুবু পাঞ্জল ১০-৪ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ হাওরৈবী নোর্দন ষ্টার ক্লব অমদি হাওরৈবী অপুনবা এফ.সিনা শিন্দুনা ৬ শুবা চন্দ্রনদি ত্রোফি ষ্টেট লেবেল নাইন মেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল তুরনামেন্ট মথং চহিগী জনুৱারি ৪ দগী হৌরগনি। শরুক য়াগদবা টিমশিংনা থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম পীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি।

------